# তর্ব্বুজগী মপান্দা অশংবা মচু ওইরবসু মনুংদদি অঙাংবা অথুম্বা মহৈনি

## (ম্যান্মারগী মিলিটরি হুন্টাগী লৈঙাক, মনুংদা মৈগী চীংগুম্না ঙাংশং ঙাংনা পোকখাইরক্কদৌবা কুইদ্রবনি, অশংবা মকুগী মনুংদা অঙাংবা তর্ব্বুজগী মহৈ য়াওবগুম্বনি)

**- সৌবাম বিরধজ -**

**য়ু এসনা বর্ম্মাদা দেমোক্রেসি হঞ্জিন্নবা অচৌবা শেনফম থাদরকপগী মরম :** দেমোক্রেসি খোঙ্গোইনবা হায়বসি মীওইবগী হক মৎপনি। মরম অদুনা বর্ম্মা (ম্যান্মার হায়বসি করম্না কৌখিবনো অমেরিকানা খঙদে, ঐখোয় অমেরিকানা বর্ম্মা হায়না অদুমক খঙনগনি হায়বসিনি) দা দেমোক্রেসি হঞ্জিন্নবা হোৎনরগনি হায়না হৌখিবা দিসেম্বর ২০২২দা 'বর্ম্মা এক্ট' অসি মতমদুগী প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফন্দিং তৌরমখিবনি। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও থোকখ্রবা মতুংদগী সোভিএট য়ুনিয়ন মচেৎ-মচেৎ কাইখ্রবা মতুংদা হৌজিক-হৌজিকমক চাইনানা মালেমগী অনীশুবা মফম কন্ননবা হোৎনরক্লিবনি। চাইনাবু থেংননবা লাক্লবদা তঙাইফদনা চুহি মরুপ ইন্দিয়াবু কোনশিন্নবা হোৎনবা হায়বসি য়ু এস এগী তৌদবা য়াদ্রবা খোঙথাং অমনি। মরমদি ভারত মহাশাগর হায়না খঙনরিবা বে ওফ বেঙ্গলগী সমুদ্রগী শরুক্তা, সমুদ্রগী জহাজ লম্বী ওইনরিবনি। মসিদা চাইনানা মীৎয়েং চঙলক্লিবা অসি অমেরিকানা খ্বাইদগী মীকারিবা সমুদ্রগী লম্বী অসিবুনি। মরমশিং অসিনা অমেরিকানা বাংলাদেশকী সৈখ হসিনানা পাল্লিঙৈ মতমদা বাংলাদেশকী পেত্রোলিয়ম প্রদক্তশিং অসি অমেরিকাদা পীননবা ৱারী শানখি। লোয়ননা ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু বাংলাদেশকী সুপ্রিমো সৈখ হসিনাদা পেত্রোলিয়ম প্রদক্তশিং ইন্দিয়াদা পীননবা তক্লখিবা লৈখ্রবনি। অদুম ওইনমক সৈখ হসিনানা অমেরিকা অমসুং ইন্দিয়া অনীমক্তা পীদদুনা চাইনাদা ওইনা পীখিবনি। মখা তারকপদা অমেরিকানা সৈখ হসিনাদা বাংলাদেশকী ঈথৎ লৈবাক মচা সেন্ট মার্টিন অসিদা অমেরিকাগী বেজ কেম্প ওইনা শীজিন্ননবা অয়াবা পীননবা হায়বদসু সৈখ হসিনানা য়াখিদে। মরমশিং অসিনা সৈখ হসিনাগী লৈঙাক তুখিবনি হায়বসিনি। হৌজিক্কী ওইনা খ্বাইদগী অনৌবদা অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা মহাক্কী মতম লোইরমদাইদা 'বর্ম্মা ফন্দিং ২০২৪' হায়না খঙনবা বর্ম্মাগী মিলিটরি হুন্টাগী লৈঙাক্তগী দেমোক্রেসি হঞ্জিন্নবা হোৎনরিবা অমেরিকাগী খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌরাং অমনি।

**চাইনানা ম্যান্মার লৈবাক্কী মিলিটরি হুন্টাগী লৈঙাক্কা চাইনাগী অরাকান লান্মীশিংগা লান্থেংনহনবগী মরমশিং :** এসিয়াগী লৈবাক মনুংদা চাইনানা অহানবা মফম কন্ননবা হোৎনরুবদগী তঙাইফদনা ইন্দিয়া অসি নমথদবা য়াদে হায়বসি চাইনাগী লেঙদ্রবা ফিরেপনি। পূন্নমকসি অমেরিকানা খঙলিবনি, মরম অদুনা চাইনাগী ইকোনমি শোন্থহন্নবগীদমক ইন্দিয়াগা মরুপ শান্নদুনা মতেং পাংনদবা য়াদবনিনা অহানবদা বর্ম্মাগী দেমোক্রেসি হঞ্জিন্নবা হোৎনরিবা থৌরাং অসিদা ইন্দিয়াগা চৎমিন্নরিবনি। অমেরিকানা বর্ম্মা মনুংদা বুদ্ধিষ্টশিংনা নম্না খুন্দারিবা মশীং য়াল্লবা এঠনিক লালহৌলূপশিংগী মরক্তা খৃষ্টিয়ান লৈবাক অমা শেম্বা পাম্বদগী বর্ম্মাগী মিলিটরি হুন্টাগী লৈঙাক ইন্থুনবা দেমোক্রেসি হঞ্জিন্নবা লাল্লোংনি হায়না 'বর্ম্মা ফন্দিং ২০২৪' হায়না খঙনবা য়াল্লবা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ১২৬ অসি থাদরিবনি। মসিগী মরুমদা বাংলাদেশকী রোহিংয়া, মণিপুর মিজোরামগী কুকি এঠনিক কাঙলূপ পূন্নমক পুনশিল্লগা শোমদনা গ্রেটর মিজোরামগী মঙলান শাগৎনবা হোৎনবদা মণিপুরগী মরাইবক ওইহনবগী ৱাফম্নি। পূন্নমকসি চাইনাগা বেলেন্সিং তৌননবা অমেরিকাগী থৌরমশিংনি। অসিগুম্লবা অমেরিকাগী জিওপোলিটিক্স অসিনা সুপর পৱারগী শক্তি অসি য়াম্না কনখিবা মরম্না মখোয়গী শেনফমশিং অমসুং খূৎশু-খূৎলায়শিং ফংলিবা এঠনিক কাঙলূপশিংনা ঈরাং অসি অসুম-অসুম শাংথরিবমখৈ মণিপুরগী ঈরাং অসিসু অসুম-অসুম শাংথখিগনি হায়বসিনি। ফোরেন এক্সটর্নেল এজেন্সীগী খূৎ য়াওই হায়বসি তশেংলবনি। পূন্নমকসি ঐখোয় লৈমিন্নরিবা ঐখোয়গী তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপশিংনা খঙমিন্নবা ঙমহৌদ্রবদি ঐখোয়গী তুংগী তুংলমচৎ তম্বা ঙম্বা নত্তে হায়বসিনি।

**১৬/০৫/২০২৪দা 'চিন এসোসিএশন ওফ মেরিলেন্দ' শেমখি অমসুং মিজোরামদা লাক্লগা কেম্প্যেন চথখিবা :** এসোসিএশন অসি অমেরিকাদা শেমখিবনি, মখোয়না মিলিয়ন দোলর ১২১ অসি করম্না শীজিন্নগদগে হায়না মিজোরামদা খন্নখি। প্রো দেমোক্রেসি অমসুং দেমোক্রেসি হঞ্জিন্নবা অমেরিকানা শেন্থং কাইথরক্লিবনি। মসি মতৌ করম্না মায় পাক্লা শীজিন্নগদগে হায়না লালহৌলূপ খুদিংমক্লা কুপথনা খন্নদুনা অমেরিকাগী থৌরাং অসিবু মায় পাক্লনবা হোৎনগদৌরিবনি। অমেরিকা অসি য়াম্না ৱানা ইংলেন্দগী মখুত্তগী মনীং মখা তম্বা ফংখিবনি। মরম অদুনা অমেরিকানা মালেমগী অশোনবা লৈবাকশিং লৌশিন্দুনা মখোয়গী কোলোনিয়ন শন্দোকপা পাম্বা অমসুং শন্দোক্লবা হোৎনবদা হালেংদ্রবা লৈবাক অমনি। করিগুম্বা মালেমদা লৈবা লমদম অমা মঙোন্দা খুরৌ থাংলকপা য়াবা, খুদম ওইনা চাইনাগা চৎমিন্নখ্রে হায়না খল্লগদি অদুগুম্লবা লম অদু অমেরিকানা শোয়দনা লোইশিন্ননবা হোৎনরক্কনি হায়বসিনি। দোনাল্ড ত্রম্পনা কনাদা অসি লোইশিনবা পাল্লিবনি। মসিগী মথংদা পানামা কেনেল অসি চাইনাদা য়াম্না কান্নবা ফংবা মরম্না লৌশিনগনি হায়না ৱামাঙ য়ানখ্রবনি। অমেরিকাদা রিসোর্ছ য়াম্না লৈবা অমসুং খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা সুপর পৱার ওইবনিনা মহাক্লা লোইশিল্লগে খল্লিবদু থবক ওইনা পাঙথোক্লনবা শক্তি লৈবননি। খৃষ্টিয়ান লৈবাক্কী অচৌবা মঙলান অমা শাগৎতুনা মালেমগী অশোনবা লৈবাক (খৃষ্টিয়ান লৈবাক নত্তবা) অতোপ্পা লৈবাক পূন্নমক লৌশিনগদৌবনি। মরম অদুনা বর্ম্মা লৈবাক্তা মীৎয়েং চঙলিবনি। অমেরিকানা হৌজিক্তি বর্ম্মা লৈবাক্তা চথরিবা খোঙথাংসি য়াম্না তপথখ্রে, এক্টিভ এক্সন হৌবগী মতম য়ৌরে হায়বসিনি। মরম অদুনা বাংলাদেশ, ম্যান্মারদা লৈবা চিন-কুকি পূন্নমক ইন্দিয়াগী শরুক্তা পুনশিল্লগা লৈজগে হায়বসিনি। পূন্নমকসি 'চিন এসোসিএশন ওফ মেরিলেন্দ' গী অম্ব্রেলা অমগী মখাদনি। মরম অদুনা ঈরাং হেক থোরক্ত্রিমখৈদি ঐখোয়গী অনীংবা ফংলোই হায়বসিদগী এক্সন তৌদুনা লৈরিবনি। ইন্দিয়াগী অপাম্বদি মীঙোন্দগী লম মচেৎ অমত্তা লৌরোই, ঐখোয়দগীসু মচেৎ অমত্তা লৌবা য়ারোই হায়বসিনি। মরম অদুনা অমেরিকা ওইরবসু চাইনা ওইজরবসু, ওইনীংবা অমা ওইজরবসু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মতম চানা থবকশিং পাঙথোল্লক্কনি হায়বসিনি। চাইনা অমসুং অমেরিকা অনীনা অঙম তান্নরকপদা তঙাইফদনা ইন্দিয়ানা খরা শোন্তক তৌবনা চাইনাগী মায়কৈদদি লৈররোইদৌবনা অমেরিকাগী পি দি এফনা বর্ম্মাদা লালোং চথরুবদা য়ূমলোন্নবা ইন্দিয়া (মণিপুরগী ঙমখৈদা, ঙাইহাক-ঙাইহাক চঙশিল্লকপা য়াহন্নবগীনি) হায়বসিনি। চাইনা অমসুং অমেরিকাগী লান অসিদা অমেরিকানা ঙমহন্নীংবনা ইন্দিয়ানা অমেরিকাগী মতেং পাংলিবনি। লান হেক লোইখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী বোর্দর ফেন্সিং অথুবা মতমদা তৌগনি। ইন্দিয়ানা অতোপ্পগী লম পামজদে, অতোপ্পনসু ইন্দিয়াগী লম লৌবা য়ারোই হায়বসিনি।

**তর্ব্বুজগী শক্তমদা ম্যান্মারগী লমদম :** তর্ব্বুজ হায়বসি মপান্দা অশংবা মচু ওইবা অদুগা মনুংদা মৈগী চীংগুম্না ওমদুনা লৈবা ম্যান্মারগী মিলিটরি হুন্টাগী লৈঙাক্লুম্বনি হায়না চাংদম্নরিবনি। চহী খরগী মমাঙদা মিলিটরি হুন্টা মপাঙ্গল য়াম্না কল্লম্বনি, অমেরিকানা ম্যান্মারদা দেমোক্রেসি লৈঙাক নৌহৌননা অমুক হঞ্জিন্নবা অঙকপা ফংনা পি দি এফ কাঙলূপ্তা খূৎশু-খূৎলায়শিং অমসুং শেল থাদদুনা মিলিটরি হুন্টাগা লান্থেংনদুনা মিলিটরি হুন্টাদগী অয়াম্বা শরুক লৌশিনখ্রবনি। নাকল অমরোমদনা রুসিয়া অমসুং চাইনানা মখোয়গী ষ্ট্রেটেজিগী মখাদা অরাকান আর্মিশিংদা অঙকপা ফংনা খূৎশু-খূৎলায়শিংগী মতেং পাংলিবনি। নাকল অমরোমদনা ইন্দিয়াসু তূমিন্না লৈবা য়াদদুনা কুকি মিলিটেন্টশিংদা খূৎশু-খূৎলায়গী মতেং পাংলিবনি অমসুং নাকোইননা অমেরিকানা লৌরকপা ফিরেপ য়েংলগা লৈরিবনি। মরমশিং অসিনা ম্যান্মারগী লান অসি মালেমগী অকনবা লৈবাক মরি হায়বদি অমেরিকা, রুসিয়া, চাইনা অমদি ইন্দিয়া হায়রিবা লৈবাক মরি অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্ট্রেটেজিগী মতুংইন্না লানগী খুদোংচাবা লৌনরিবা ঙাক্তনি। বি বি সীনা পীরকপা পাউদগী খঙলে মদুদি ম্যান্মারগী চাদা ৪২গী শরুক মিলিটরি হুন্টাদগী পি দি এফ রাইভেলশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরবনি। ম্যান্মারগী আর্মি ইন চীফ আন হলিংনা হৌজিক্তি মহাক্কী খোঙফম হন্দোকপা নত্তনা পাম্বে লৈত্রে হায়না হায়জখ্রবনি। অমেরিকাদা বেজ তৌবা 'ৱাটরমেলনগী স্পাইশিংনা' মিলিটরি হুন্টা অমসুং দেমোক্রেসি হঞ্জিন্নবা কাঙলূপ অনীমক্তা দবল ষ্টেন্দরগী থবক তৌবরা হায়না কুপ্পা য়েংশিল্লম্মী অমসুং নাখৈ শেংনা দেমোক্রেসি হঞ্জিন্নবা হোৎনরিবা রাইভেলশিং খক্তদা মতেং য়ৌহন্নবা থৌরমশিং লৌখৎতুনা য়াম্না হৈশিংনা মিলিটরি হুন্টাগী মরক্তগী অরোনবা মতেং লৌবা মরম্না মিলিটরি হুন্টাগী ফীভম শোকচিল্লকপনি হায়না বি বি সীগী পাউ অসিনা মখা তারিবনি। অসুম্না তর্ব্বুজগী মতৌগুম্না মপান্দা শংত্রিক শংলগা মনুংদা মৈগী চীংগুম্না ঙাংশং ঙাংলিবা ম্যান্মারগী মিলিটরি লৈঙাকনি হায়না চাংদম্নরিবনি। হায়রিবা কাঙলূপ অসিনা তর্ব্বুজগী মনুংদা য়াম্না পীকপা মখুল মচা অমা হুৎলগা মনুংদা য়াম্না শক্তি লৈবা মখলগী বোমগী মচাকশিং পীক থন্না হাপ্পুনা স্মগ্লরগী অরোনবা করবার তৌবগী থবকশিং চথরম্মি। করিগুম্বা মতমদনা অসুম্না তর্ব্বুজগী মনুংদা নম্বর ফোর দ্রগশিং ফুমদুনা পুরিবনি হায়না অরোনবা করবার তৌবশিংনা ফোঙদোক্লরমখি। মমৈথংদা কুমজা ২০২৬তা দেমোক্রেসিগী মতুংইন্না ইলেক্সন পাঙথোল্লগনি হায়না লাউথোকপা অমসুং পি দি এফনা খুদুম চল্লিবা মফমশিংদা চংশিল্লগা মীকোক থিবগী থবক লৌখৎপা ঙমদবনা ম্যান্মারগী মফম শিনবা থুংনা ভোটিং রাইট ফংলোইদৌবগী ফীভম মায়োক্লগদৌরি হায়না মাঙজৌননা লাউথোকখ্রবনি। ওইনীংবা ওইরবসু, থোক্লিংবা থোক্লবসু (পি দি এফ) শিংনা খুদুম চল্লিবা মফমশিংদি শুংথা থাদোক্লোইদৌরি অমসুং মখোয়না খুদুম চন্দুনা লৈরবা মফমশিংদা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্বগী ফীভমদা তারক্লগনি হায়না হায়নরিবনি।

**কুকিশিংনা তৌরিবা ওইদবা তাৎ-পাৎশিং পূন্নমক তর্ব্বুজ মনুংগী মৈগী চীংগুম্বনি :** হৌজিক্তি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অচুম্বা অশেংবা করিনো খঙলক্লগনি। ম্যান্মারগী লানসু মতমগী মতুংইন্না লোইশিন্দুনা দেমোক্রেসি হঞ্জিন্নবগী মতম য়ৌরকপগা ইরোয়ননা, মণিপুরগী কাঙলূপকী লানসু, কুকিশিংনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তগী তানগদৌবনি, মণিপুরগী মীয়ামদগী তানগদৌবা নত্তে হায়বসি খঙলক্লগনি। হৌখিবা এপ্রিল ২২/০৪/২০২৪দা 'সূ' গী মতম লোইখ্রবনি, শাংদোকই-শাংদোক্তে খঙহন্দনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অচুম্বা অশেংবা অমত্তা খঙহন্দনা তূমিন্না লৈথোক্লিবনি। ইন্দিয়া লৈঙাকসু দবল ষ্টেন্দরগী রোল লৌবা য়াম্না হেনমনখ্রে হায়বসি মতমগী মতুংইন্না খঙনরকখিগনি। মণিপুরগী অনৌবা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা য়াম্না হৈশিংনা ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংগা লোয়ননা থবক থৌরমশিং শোয়দনা পাঙথোল্লক্কনি হায়না থমজরি। কৈদৌঙৈদসু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা চাইনাগী মায়কৈদা লেপকদৌবা লৈতে, অমেরিকাগী মীচংদা শোয়দনা লৈরক্কনি। মরম অদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা অমেরিকানা মতেং পাংলিবা পি দি এফকা অফবা মরী থম্নরক্তুনা অনৌবা অওনবা মায়কৈদা খোঙ শোয়দনা থাংলক্কনি। ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা খঙই মদুদি, তর্ব্বুজগী মপান্দা অশংবা মচু ওইরবসু মনুংদা লৈবা মহৈ অদুদি ঙাংশং ঙাংবা অথুম্বা মহৈ ওইনা মীওইবনা মহাও লৈনা চানরিবনি। তর্ব্বুজগী মনুংদা মৈগী চীংগুম্না পোকখায়রক্কদৌবা মতৌগুম্না ম্যান্মারগী মিলিটরি হুন্টাগী লৈঙাক মণিপুরগী লানগা চাংদম্নবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কৈদৌঙৈদসু পাম্ফম থোক্তে হায়না মাঙজৌননা লাইফাও ওইনা থমজরি। হৌজিক-হৌজিকমক নাগাশিংনা, কুকিশিংগী ইকনোমিক ব্লোকেদ তৌরিবা অসি য়ানীংদে হায়না কাউন্টর ইকনোমিক ব্লোকেদকী থবকশিং চথরক্লিবনি। ●

# আর্থ অসি মতুম তাই হায়রবসু পাক্লা উরিবসি করিগীনো?

**- রোনেল -**

ঙল্লিঙৈ মতমদা গ্রীসকী মীওইশিংনা থাগী অকোয়বা শক্তম উরগা অতিয়াদা য়েংখত্তুনা ৱাখল খনবা হৌরকখিবা মতম অদুদগী হৌনা সাইন্টিষ্টশিংনা মালেম লৈকোইপুং (আর্থ) অসি মতুম তাই হায়বা খঙদুনা লাক্লবনি। এষ্ট্রোনোট অমদি সেটিলাইটশিংনা লৌরকপা ফজরবা মালেম লৈকোইপুংসিগী মমিসু ঐখোয় পূন্নমক্লা উরে। মমিশিং অসিদা মালেম লৈকোইপুং অসি মতুম তানা উরগা ঐখোয়না মালেম লৈমায়দা লেপ্তুনা য়েংবা মতমদনা ইপাক পাক্লা উরিবসি করিনো হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহংনি।

মসিগী মরু ওইবা মরম হায়রবদি ঐখোয়গী মীৎয়েংফম (পরস্পেক্টিভ)না ওইগনি। ঐখোয় মীওইবসি অচৌবা স্ফিয়ার অমগী লৈমায়দা লৈবা অসুক্কী মতিক পীকপা থৱায় পানবশিংনি। চাংচত্তা মীওইবা ঐখোয়সি ফিট ৫ দগী ফিট ৬কা ইঞ্চি ৬ ফাওবা ৱাংই। সর্কস তৌবা মীওই অমনা ফিট ৩ পাকপা বোল অমদা লেপ্পগা মখাদা য়েংথবা মতমদা বোল অদু মতুম তানা উগনি। অদুবু চপ মান্নবা বোল অদুদা হয়িং অমনা তোংদুনা লৈবা মতমদা হয়িং অদুনা বোলগী সর্ফেস অদু ইপাক পাক্লা উগদৌরিবনি। মসিগী মরমদি সর্কস তৌরিবা মীওই অদুগা হয়িং অদুগগী মরক্তা মীৎয়েংগী পাঙ্গল মান্নদবনা সর্কস তৌরিবা মীওই অদুনা বোল অদুগী অয়াম্বা শরুক উবা ঙম্বা মতমদা হয়িং অদুনা বোল অদুগী য়াম্না পিকপা মচেৎ খরদমক উবা ঙম্বগীনি।

আর্থ অসি ফিট মিলিয়ন ৪২ হেন্না পাকই। অদুগা ঐখোয় মীওইবনা লেপ্পগা লৈমায়দগী ফিট ৬ রোমতমক ৱাংখৎপা মফমদগী য়েংথরকপদা উবা উম্বসি মচেৎ খক্তনি। অদুগা ঐখোয়না মালেমদা খ্বাইদগী ৱাংবা চীং ওইরিবা মাউন্ট এভরেষ্ট (ফিট ২৯,০৩৫) তা কারবসু আর্থকী অকোয়বগী শক্তম অসি উবা করিসু ঙম্লোই। মরমদি আর্থকী অকোয়বগী দাইমেটরগা য়েংনরুবা মতমদা মাউন্ট এভরেষ্টকী অৱাংবনা কোল্লিবা শরুকসি পীশক পীকপননি।



ঐখোয়না আর্থকী অকোয়বগী শক্তম অসি উগে হায়রবদি মালেম লৈমায়দগী কিলোমিটর ১০ হেন্না ৱাংবা মথক্তগা লৈরবা মতমদা উবা ঙমগদৌরিবনি। মসিগী মরমদি ঐখোয়গী মীৎনা উবা ঙম্বা অরাপ্পা (হোরাইজন)গী চাং অসি ঐখোয়না লৈমায়দগী কয়াম ৱাংনা লৈবগে হায়বসিনা লেপ্পী। লৈমায়দা লেপ্তুনা লৈবা মতমদা করিগুম্বা অমত্তনা ঐখোয়গী মীৎয়েংফমবু থৎত্রবদি লাপ্পবদা মীওইবা অমনা কিলোমিটর ৪.৮ রোম শান্না উবা ঙম্মী। অদুবু মসিনদি ঐখোয় মীওইবনা আর্থকী অকোয়বগী শক্তম উবা ঙম্বগী পাঙ্গলদি লৈতে। ঙসাইগী হয়িং অদুনা বোল অদুগী মথক্তা তোংদুনা লৈবদা বোল অদুগী অকোয়বগী শক্তম উবা ঙমখিদবা অদুগুম্না ঐখোয়সু আর্থ অসিগী অকোয়বগী শক্তম লৈমায়দগী উবা হায়বসি ওইথোক্তবা অমা ওইরি।

আর্থকী অকোয়বগী শক্তম উগে হায়রবদি এষ্ট্রোনোট অমগুম স্পেসতা চৎপা নৎত্রগা সেটিলাইট/রোকেটকী মতেংনা অৱাংবা মফমদা পাইখৎলবদি শোয়দনা উবা ঙমগনি। কম্মর্সিএল প্লেনশিংনা পাইরিবা অৱাংবা মফম অসিদগী আর্থকী অকোয়বগী শক্তম খরমখৈদি উবা ঙম্মী। অদুবু পেসেঞ্জরশিংনা থোঙনাও মচা অদুদগী নীংথিনা লাকশিনবা ঙমদবনি। পাইলোটশিংদি মখোয়গী অচৌবা থোঙনাও অদুদগী খরমখৈ ময়েক শেংনা উবা ঙম্মী হায়রি।

আর্থ অসি মতুম তাই হায়রবসু অশেংবদদি আর্থকী চপ চাবা মওং মতৌ অসি মতুম হেক তাবা হায়বদুদি নত্তে, ইল্লিপসোইদ/ওবলেট স্ফেরোইদ ওই হায়বদি মাইরেন ফমপ্রেৎকী মওং খজিক লৌই হায়রি। মসিনা হায়রিবসি আর্থ অসি মবুকতা (ইক্বেটর) চাউথোক্লগা নোর্থ অমসুং সাউথ পোলদা খরা শুপচিল্লি হায়বনি। মসিগী মরমদি আর্থনা মশাগী এক্সিসতা উংদুনা লৈবগীনি। উংবা অসিনা সেন্ট্রিফ্যুগেল ফোর্স অমা পুথোক্তুনা মবুকতা চাউথোকপনি হায়রি। ●

*(ন্যুজস সিন্দিকেটদগী লৌথোকচবা)*


# অরাইবা মীদি নত্তবনিনা



**- খোইস্নাম থিরেন মীতৈ -**

কুমজা ২০২৫গী অনৌবা কেলেন্দর অমা ফক্লাংদা থেৎলবনিনা সোরোকতা নোকফেৎ-নোকফেৎ তৌরগা মথন্তা ৱারী শা-শাদুনা নুংঙাইনা চৎলিবা মাসু নোক্লা-নোক্লা চহী অমা লান্থোকপা ঙমজখ্রে। কনাদনো খঙদবা অমদা য়াম্না শাওনীংবা মওংদা মুরুম-মুরুম শোল্লগা য়াম্না পেন্দনা চৎলিবা মাসু কুমজা ২০২৪ হায়বা চহীসিমা শাওরগা অদুম লান্থোকখ্রে। মসিনি অনৌবা চহী লাকপগী নুংঙাইবা। ঙসিনা কদোমদা কাপথরক্লবা, শোকপা পনবদি য়াওব্রা হায়দুনা হংনরিঙৈদা চহী অমা মপূং ফাখিদুনা বাই-বাই তৌনখ্রে। মরাল লৈতবা মীতৈশিংবু নমথনবা হোৎনবদা ইন্দিয়ানা মাঙ হেক থানা লান তৌবদি মোদিজিগী ঈজৎ শোকপনিনা ঈজৎ হায়বদু কদাইদা লৈবগে খঙজদবা কুকিদা ইনশিল্লগা চীংদোংদগী মীতৈ তম্না নোংমৈ কাপথরকপসু অরিবা চহী ওইখ্রে। চহী অমা চূপ্না আর্মিনা ঙাক্লগা কুকিশিংবু মনীং তৌনা নোংমৈ কাপহনবদা মীতৈশিং নমথবা ঙমদে হায়দুনা ইন্দিয়া মাসু শাওনীংলকপা মতাং য়াওরকপরা করিনো চহী লোইরকপদদি কুকি নুপীশিংদা আর্মিনা টিয়র গ্যাস কাপখ্রে হায়রি। ইন্দিয়াগী মায় ঙাকপা ঙমদা কুকি নোংমৈ পায়বশিংদুদসু টিয়র গ্যাস কাপশিনবীয়ু। মখোয়না মীতৈ নমথবা ঙমদবা ঙল্লক্ত্রবদি তঙাইফদনা মখোয়গী মথক্তা বোম ফাওবা কাপশিনবীয়ু। ঐনা ফোঙদোকচরিবা খরসি হৌখিবা চহী লোইবা নুমিৎতুগী ৱাহৈনি। হৌজিক্তি অনৌবা চহী লাক্লবনিনা হৌখিবা পূন্নমক্তো কাউথোক্লরসি হায়দুনা ঐখোয়গী ইকায়খুম্নজরবা লৈঙাক মপু, মিং ওইনা পঞ্জরবদা নোংথোম্বম বিরেননা হায়বীরকখ্রবনিনা ঐখোয় খুদিংমক অনৌবা চহী অসিদদি হৌখ্রবশিং লোইনা কাউথোক্লরসি। মখূৎ মক্রাং লোনবা মীথিবোং-মীতম্বালগী লৈঙাকপশিংনি হায়খিবদুসু কাউথোক্লরসি।

নুংঙাই-য়াইফবা ওইহন্নীংলিবা অনৌবা চহী ২০২৫ অসিগা লোয়ননা চহী মীয়াই চল্লক্লবশিংদগী হৌরগা মীয়াই খরা লান্থোক্তুনা থবক য়ামশিল্লকপদৈ মীওইবসি শিবা নাই খঙলক্তুনা সুগর টেষ্ট তৌরুবদা খরা ৱাংনা লৈরম্বা কয়াসু অনৌবা চহী লাকপগা লোয়ননা ৱাকিং চৎপা অনৌবা মী ওইরকই। অঙকপনি, অনৌবা চহীনা লাক্লবসু সুগর লেভেলনা মতোমতা নেমথরকপদি নত্তবনিনা ৱাকিং চৎপদি বাই-বাই তৌবা শোন্থরক্তুনা নারগা শিগল্লি খঙবা মী ৱাকিং অদুম চৎনরি। ইনাকখুনবগা ফাওবদং থোকপদা খোঙ য়েৎকা-ওইগা থাঙউ হায়দুনা লৌতুনবদৈ চৎপদা মঙম তূম্বা য়াদবদু গভর্ণরনা পীবা অনৌবা তূমহনবা য়াদবনিনা নোং ঙানগদবা থোক্তুনা ফমুংদা লোক খুর-খুরগা ইশুশিংনা মহৈ তম্বগী হৌখ্রবা অরিবা ৱাৎলবদি অনৌবা চহী লাকপগী লোৎশিল্লগা থম্বী। পীথোকহৌদবা য়াদে। অনৌবা চহীগী হেপ্পি ন্যু থিদোক্লবা শেলগী অৱাৎপদি অদুম খঙজদবা মীয়ামনদি লান অমা-অনীসি মীয়ামগী লৈঙাক ৱানা খাঙনখিবনি। অদুগদি ওইনা লৈরবগী ৱানি। লৈঙাক অশি-অনা তোয়না মায়োক্ল অমা ওইনা য়াম পেন্দবা হাৎপশিংবু য়াম্না হকচিন্না কুকিনা মীতৈ হাৎলকপা হৌখিবশিং কাউথোক্লরসি য়াদে। থবক ফনা চিল্লবসু হকচাংনা কয়ানা অয়ূক্কী লৈচিল মরক ফাওরগা লায়রবগা খেন্নবা লৈরক্ত্রবা, থোঙ্গান নঙনা হান্না থাঙউ, নঙনা হান্না শান্দ্রবা অহলশিংনা অহিং চহীগী য়াইফ-পাউজেলনা ৱাৎলিঙৈদগী মীকপ নোং ঙানবা ঙাইনরি। ইচা-চহীগী স্কুল ফী থিগদৌবা পরিক্ষা হায়দোরকপদা মমিং স্কুল ফীশিং বাই-বাই তৌবা য়্যর লাকপদা অরিবা স্কুল ফী য়াওরকই। হেপ্পি ন্যু য়্যর। মনুং ওইনা হৌখ্রবা চহী অমা লৈরি হায়দুনা লৈঙাক্কী মহুত্তা সী এম লৈরম্বদগী মীয়াম্না রিবসিদা সী এম ফোঙদোক্তুনা মীচম লৌবগা লোয়ননা লেপ্পনবা-হায়রবনিনা লানসি লোইশিনগনি হায়বা মীয়াম্না থাজরম্বা য়ারে। হন্দক্কী ঐখোয়গী সী এমগী ৱাহৈ অসিমতংদি কনানসু লাল্লি হায়বা ঙল্লরোই। হৌখিবশিং লোইনা কাউথোক্লগা নুংঙাইনা লৈবা য়াই হায়বা ৱাসিবুদি মীৎনা উবা খুদম কয়া মাগী-মাগী লৈকায়-লৈকায়দা অমমমদি ৱাত্তনা অদুম লৈনরবনি। মখোয়দি হৌখিবখক্তা নত্তনা হৌজিক্তা হায়খিবা ৱাদু ফাওবা কাউথোকপা ঙম্মী। পূন্নমক কাউথোকপা ঙল্লবা মী মহাক্তি চাকপু চারবদি নুংঙাইনা তূম্লগসু লৈ। অঙাং নহাশিংনা সোরোকতা লাঙবদা থৈদোক্লগা চৎলি। য়াম্না নুংঙাইনা লায়না শিদ্রিবা মী ওই। মসিনা লৈবাক্কী ৱা ওইখ্রগা অনৌবা চহী লাকপদা অনৌবা ক্লাস অমা কাগদৌরবা ইচা-ইশুশিংদি হৌখ্রবা পরা অমত্তা কাউথোকপা য়াদে। হৌখ্রবা পারাশিংদুদগী শমথরকপা মখাক্লি অনৌবা ক্লাসতা নৈনরক্কদৌরিবসি। হৌখিবা কাউথোল্লগা মথং পরিক্ষাদা পাস তৌবা য়ারোই। হৌখিবা নীংশিংলগসু অনৌবা ক্লাসকী লাইরিক কন্না হোৎনদ্রগদি লাইরিক হৈরোইদবনিনা মহৈরোয়শিংদি অনৌবগী ট্যুশন চৎনবা হৌনরকখ্রে। সী এমসু অরিবা মীদি নত্তবনিনা মনুংদা কন্না হোৎনরমগনি- হৌখিবশিং কাউথোক্লরসি হায়রবসু। ●



**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৫ গী ৱাহং**

১) **"ওক্লসিগে নঙবু করম্না
হে অনৌবা চহী
নীংথিবী ফিজোলদা আশাগী
চংখোল্লবা নকেদা অনৌবা ৱাশক্কী...॥"**
শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্তা য়াওবা শৈরেংনি। অইবা অসি কনানো? য়াওরিবা শৈরেং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) **"শক্তম মচু মচুগী"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৩) **"লৈকোল নুংদ"** (১৯৬৮) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবগী মমিং হায়য়ু।

৪) **"কমলাকান্তগী কোর্বেক"** হায়রিবা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোল অমদগী মণিপুরীদা হন্দোকপনি। মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা অইবা অসি কনানো?

৫) **"য়েন্নিং থানা হল্লক্লবদা"** হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।